SAMSUNG লুহোং-মচল
WATER PURIFIER EUREKA FORBES FREE UV
SAMSUNG 40' LED
SAMSUNG REFRIG 3 STAR 190 LT. ₹ 52,999/-
7.2/6.5 KG WASHER
SAMSUNG 32' LED FREE ₹4999
SAMSUNG REFRIG 3 STAR 190 LT. ₹ 40,999/-
SAMSUNG 6.5 KG OR INTEX 8 KG WASHER
VIDEOCON HOUSE, PAONA BAZAR, IMP.
CHINGTAM, OPP. HOTEL ANAND CONTTL.
SARAJEEVAN ENT, PAONA BZ, IMP.

চহী চুপ্পা লেপ্তনা নুংতিগী ফোঙবা অহানবা মণিপুরী পাউচে

# সনালৈবাক
# SANALEIBAK



মণিপুর মিসন ওর্গানিক এজেন্সি অমসুং গ্রীন ফাউন্দেসনগা পুন্না খুৎশম্নদুনা মণিপুরগী মফম কয়াদা পাঙথোকপা ৱার্ল্ড সোইল দে



নুমিৎ মরিনি চুপ্পা চথগদবা আরোগ্য ফ্যোর, ২০১৮ ইম্ফালগী সিটি কনভেন্সন সেন্টরদা হৌদোকপা থৌরমগী শক্তম অমা



ক্বাকৈথেল কোঞ্জেং লৈকাইদা নৌনা শাবা আয়ুস হোস্পিটাল অমা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর শ্রীপদ য়াসো নাইকনা হাংদোকপগী শক্তম

Volumn No: 43 Issue: 11 IMPHAL, FRIDAY 7 DECEMBER, 2018 ইরাই, হিয়াঙ্গৈগী থাশি www.sanaleibak.in RNI Regd. No. 31350/77 PAGE : 8 Price:Rs 3.60

MERRY CHRISTMAS Offer
WASHING MACHINE
6.2 KG = ₹ 7800
MSV72CL = ₹ 8999
8KG = ₹ 9999
7KG GODREJ = ₹ 11000
REFRIGERATOR
180 L GODREJ ₹ 12500 = ₹ 10500
185 L GODREJ ₹ 13400 = ₹ 11000
190 LT 3 STAR Godz = ₹ 12700
INTEX LED (3 YRS WARRANTY)
50' LED SMART = ₹ 37500
55' SMART LED 4K = ₹ 48000
43' LED FULL HD = ₹ 24000
40' LED = ₹ 21500
32' LED (TV) = ₹ 13600
24' LED (TV) = ₹ 9300
VIDEOCON HOUSE, PAONA BAZAR, IMP.

## ৱাখলগী চিঙ্গাক

নশাগী ৱাখলশিংদুগীদমক চেকশিল্লু নহাক্না খল্লিবদুনা নহাক ওইরিবনি

### নীংথম কুঙ্কে হৌরগনি

ইম্ফাল ,দিসেম্বর ৬(এসএনএস)ঃ মণিপুর ষ্টেট শুমাঙ লীলা কাউন্সিলনা লেপ্তুনা চথরকপা শুমাঙ লীলা নীংথম কুঙ্কে-২০১৮ লাক্লিবা দিসেম্বর ১০দগী ২৪ ফাওবা নুমিৎ খুদিংগী নুংথিলগী পুং ২দগী হৌরগনি হায়না কাউন্সিল অসিগী ফেষ্টিভেল কম্মিটিগী কনভেনর এসঐচ হেমন্তনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, ফেষ্টিভেল হৌবা নুমিৎ দিসেম্বর ১০দা চুমথাং ক্রিয়েটিভ আর্টিষ্ট এসোসিয়েসনগী ইমাগী য়াথং উৎকনি। দিসেম্বর ১১দা লমজিংবা আর্টিষ্টকী *অরোইবা ৱারেপ*, দিসেম্বর ১২দা টাইম ষ্টার আর্টিষ্ট য়ুনিয়নগী *ইতিনফম*, দিসেম্বর ১৩দা অপুনবা আর্টিষ্ট এসোসিয়েসনগী *কৈশামথোং থোইবী-২*, দিসেম্বর ১৪দা নোংইন শুমাঙ লীলা আর্টিষ্ট এসোসিয়েসনগী *হয়েংগী নুংশিবা*, দিসেম্বর ১৫দা দেদিকেটেদ ৱার্ল্ড আর্টিষ্ট এসোসিয়েসনগী *ঐ লীলা ইররোই*, দিসেম্বর ১৬তা ইরমদম মণিপুর আর্টিষ্ট এসোসিয়েসনগী লীলা *নুংশিবগীদমক*, দিসেম্বর ১৭তা পোক্লেন পোকপা আর্টিষ্ট এসোসিয়েসনগী *মখা লমায় ৬তা*

**GOLD PRICE 10G/24K**

DELHI : RUPEES 32,180.00 /-
KOLKATA: RUPEES 32,110.00 /-
BENGALURU: RUPEES 32,100.00 /-

**FOREX (INDIA RUPES)**

US DOLLAR : 1 USD = 70.88625 INR
POUND : 1 GBP = 90.35537 INR
CHINES YUAN: 1 CNY = 10.27966 INR

**অঙৈং-অশা**

খ্বাইদগী শাবগী চাং ঃ ২৪.০° সি
খ্বাইদগী ঈংবগী চাং ঃ ৮.০° সি
নোংজুগী চাং ঃ ০০
নুমিৎ থোকপা ঃ অয়ুক পুং- ৫.৪৬
নুমিৎ তাবা ঃ নুংথিল পুং-৪.২৫

**পেট্রোল, ডিজলগী মমল**

পেট্রোল লিটরদা - লুপা ৬৭.১৪
ডিজল লিটরদা - লুপা ৬১.৬২

**গ্যাসকী পাউ লাঃ ৫ দা**

**লোইরেদনা**

মহৌশা লাইরেম্বীনা পীবা খুদোলশিংদগী কান্নবা লৌসি হায়খ্রে



শেল চাবসু মহৌশাগী খুদোলনি!

**হেক্তা হায়জিনবা**

### ফেষ্টিভেল

ফেষ্টিভেল ফেষ্টিভেল
ফেষ্টিভেলগী লমদদি
ফেষ্টিভেলনি পুন্নমক
ফেষ্টিভেলনি শা শিবসু
ফেষ্টিভেলনি উচেক শিবসু
ফেষ্টিভেলনি মথেল মথেলগী
অতিয়াদগী পাইরকপা এলেন
মমীৎ লাওবা য়োং মানবা
মনা চপ য়ুংবা ভুট মানবা
মশা মরাং মরাংবা
মশা শ্রিৎ শ্রিৎ নানবা
ফেষ্টিভেলগী মথেল ঙাক্তনি
ঙাঙনরিবা কৈথেলদা
শোন্নরিবা ভেন্দরদা
ফেষ্টিভেলগী লমদদি
ফেষ্টিভেলনি পুন্নমক
ফেষ্টিভেল অমুক ঙাইরসি
ফেষ্টিভেল অমা লাকখিনি
শাগী ফেষ্টিভেল মতুংদা
ফেষ্টিভেল ফেষ্টিভেল

# মণিপুরগী ট্রেক্কর ৮ থাদোরকপগী য়ান্নখিবা এগ্রিমেন্ট মীয়াম্না ৱারৌনরে

## 'লাল্লেসু হায়হনবা,বেলসু লৌহনবা মীয়ামগী মায়োক্তনি'



ইম্ফাল ,দিসেম্বর ৬(এসএনএস)ঃ সঙাই ফেষ্টিভেলগা মরী লৈননা জুকো তম্পাক্তা চংখিবা ট্রেক্কর ১৫গী মনুংদা ৮ নাগালেন্দ পুলিসনা ফাজিল্লবা তুংদা থাদোক্লনবা এমএমটিএ, মণিপুর লৈঙাক, নাগালেন্দ লৈঙাক অমসুং নাগাগী সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন অনীগা খুৎয়েক পীনখিবা এগ্রিমেন্ট অদুদা য়াওরিবা ৱারোলশিং অদু মণিপুরগী মীয়াম ৱারৌনরে।

হৌখিবা নবেম্বর ২৬তা সাউথর্ন আঙ্গামি পীপলস ওর্গনাইজেসন (এসএপিও)গী প্রসিদেন্ট নৈকেতৌ কিসো, সাউর্থন আঙ্গামি য়ুঠ ওর্গনাইজেসন (এসএৱাইও)গী প্রসিদেন্ট জাকিইলেটো তসুকরু, নাগালেন্দ সিএমগী এডভাইজর ভিকেটোল সখারে, নাগালেন্দগী দিজিপি টিজে লোংকুমির, মণিপুরগী মিনিষ্টর এল দিখো,এমএমটিএগী সেক্রেটরী হিরা প্রজুলি অমসুং জখামাগী এসদিও (সি) এলময়াপাংলোংচরনা খুৎয়েক পীখিবা য়ান্ন-চেরোল অদুদা জুকো তম্পাক মণিপুরগী য়াওরি হায়বা কাউথোকপগী মমি তাই। মসিনা কাইনথংদা জুকো তম্পাক নাগালেন্দগীনি হায়বদা মণিপুর লৈঙাক্না য়ারে হায়বদৌনা তৌরে হায়না মীওই খরনা পাউ-চে অসিদা ফোঙদোরক্লি।

য়ান্নখিবা এগ্রিমেন্ট অদুদা য়াওরিবা ৱারোলশিং অদুদি, অহানবদা- এসএপিও অমদি এসএৱাইওনা জুকো তম্পাক্তা মমাঙঙৈদগী থম্বা চৎন-কাঙলোনগী ৱাংমদা মাউন্টেনরি এসোসিয়েসনগী কাঙবুনা লান্না লম লানশিল্লকখিবা অদুগীদমক লাঞ্জরে হায়বসি মশানা য়াজরে।

অনীশুবদা- নবেম্বর থাগী চৈচৎ ২৬দা মৈ চাক্তুনা অমাং-অতা থোকখিবদু এমএমটিনা লৈঙাক্লোনগী অয়াবা য়াওদবা মওংদা চঙলকপা চীংকারোইশিংনা মখোয়না চেকশিন দবা অমদি থৌওইদবদগী থোকখিবনি হায়বসি য়াজরে।

অহুমশুবদা-এমএমটিএনা তঙাইফদনা মখোয় অমদি মখোয়গী মেম্বরশিংনা লানখিবা অদুগীদমক এপোলোজি তৌখ্রে।

মরিশুবদা- মণিপুর গভর্ণমেন্টগী মীহুৎ মিনিষ্টর পিঐচঙৈদিনা মণিপুর গভর্ণমেন্টকী মসিগী এজেন্সিগী মহুৎ শীন্দুনা নাগালেন্দ গভর্ণমেন্ট,মসিগী মীয়াম, এসএপিও অমদি এসএৱাইওদা মাং-তাকখিবা কয়াগীদমক এপোলোজি তৌখ্রে,

মঙাশুমদা- মণিপুর টিমগী মশানা য়াজবা ৱাফম তারবা তুংদা এসএপিও অমদি এসএৱাইওনা পুলিস কষ্টদিদা ফাদুনা লৈরিবা মরাল লৈবশিংদুগী বেল পীবগী থৌরাংদা অয়েৎপা অমত্তা পীদবা হায়নসু য়ারে।

তরুকশুবদা- লৈঙাক অনীগী অপিল অমদি হায়জবা তারবা তুংদা এসএপিও অমদি *মখা লমায় ৬তা*

# য়ুমশাশিং হাৎখিবা হূইননিঃ এক্সপার্ট



ইম্ফাল ,দিসেম্বর ৬(এসএনএস)ঃ হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা মণিপুরগী মফম কয়াদা য়ুমদা য়োকপা শা উচেকশিংদা লান্দা চখদুনা থৌদোক ৪২ দা পুন্না য়ুমশা ১৬২ হাৎখিবা অদুগী মপুং ওইবা মরম অসি হূইনা থোকহনবনি হায়বা খঙবা ঙম্লে হায়না ৱাইল্ডলাইফ ইন্সটিট্যুট ওফ ইনিদয়াগী সাইন্টিষ্টশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী হেদ ওফিসতা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা ৱাইল্ডলাইফ ইন্সটিট্যুট ওফ ইন্দিয়া, দেহরাদুনগী সেনিয়ার সাইন্টিষ্ট অমসুং ফোরেন্সিক এক্সপার্ট ডা. গোপী জি ভিনা পাউমীশিংদা হায়, মণিপুরদা হন্দক থোক্লিবা থৌদোকশিং অসি খরা নত্তনা অয়াম্বনা মরম চাবা খুৎশি ঙাক্তা ওইনা থেংনৈ। অদুবু মসিদা মীয়ামগী পুক্নিংদা থাজনরিবা নৎত্রগা চিংনরিবা জিবশিংগী খুদম অমত্তা ফংবা ঙমদে।

থৌদোকশিং অসি মহৌশানা চথদুনা লাকপা থৌদোক অমা ওইনা তৌই। অয়াম্বা মফমশিংদা য়ুমদা য়োকপা হূই নত্রগা থাদোকপা হূইশিং য়াওবগী চপ চাবা খুদমশিং লৈরে। মসি কেমেরা ত্রেপতা তারিবা মমি অদুগা পুনশিল্লগা নাকোইনবা খুদম অসি থেংনবনি।

বিষ্ণুপুরগী মফম অমদা চাইনিজ ফেরেট বেদজর অমসুং বাসিখোংগী থৌদোক্তা কৈজেংলাং নৎত্রগা ফোরেল কেটনচিংবা লমলক্কী শা চেন্নবগী মমি তাই হায়না মখোয়গী থিজিনবগী ফংলকপা রিপোর্ট থল্লি।

সাইন্টিষ্ট টিম অসিনা দিসেম্বর ২দা হেক ইম্ফালদা থুংলবগা ওফিসিয়েলশিংগা মীফম পাঙথোক্লবা মতুংদা কেমেরা ত্রেপ খিন্দুনা অমসুং থৌদোক থোকফমদগী ফংলকপা খোঙ্গুন য়াওনা খুদম চাংদমশিং অদু নৈনরবা মতুংদা অয়াম্বনা হূইকী কাঙলুপ ওইনা থৌদোক অসিগী দায়ত্ব লৌরম্বা থেংনখি।

কেমেরা ত্রেপতা তাবা অয়াম্বা মমিশিংদা থাদোকপা হূইশিং উবা ফংই। মসিগা লোয়ননা থৌদোক থোকফমশিংদা ফংখিবা খোঙ্গুল অদুসু হূইগী কাঙলূপগী শাশিংগীনি হায়বা খঙলে।

অমরোমদা লমদম অসিদা হূইশিং অসি নিংথিনা ফাজিন্দুনা থম্বগী হৈনবী লৈবগী মমি তাই হায়খি।

অদুম ওইনমক থৌদোকশিং অদু হূইননি হায়বগী খুদম লৈরবসু কেমেরা ত্রেপশিং মফম খরদা পান্দুনা থমদুনা অশেংবা খঙদোক্লবা হোৎনখিগনি হায়খি।

হূইশিংনা চথবা এটেকশিংদা অয়াম্বনা মনিং লোমদগী তৌগনি। মসি হন্দক্কী থৌদোক অসিদা অদুমক ময়েক শেঙনা উবা ফংই হায়খি।

লোয়ননা অসিগুম্বা থৌদোকশিং অসিদগী ঙাকথোক্লবগীদমক য়ুমশাশিং থল্লিবা মফমশিংগী অকোয়বা অদু লুনা নান্না থম্বগা লোয়ননা ফত্ত হৌদি পৈশিন্দুনা থমদবা তাই। অমোৎ অকায় পৈশিন্দুনা থম্বা অসিনা লমলক্কী শা ওইরবসু নত্রগা হূই হৌদোংশিং ওইবরসু মফম অদুদা চংলক্লবগী মরম ওইহল্লি।

য়ুমশাশিং নিংথিনা লোইবা তাই। করিগুম্বা মতমদদা শা উচেকশিং নিংথিনা চেকশিন্না মকোন শাবীরগা থম্বা দরকার লৈ। মীয়াম্না মপু খঙদবা হূইশিং অমসুং য়ুমদা য়োকপা হূইশিংদগী চেকশিনবা মথৌ তাই। লোয়ননা ভেটেরিনারি দিপার্টমেন্টনা মীৎয়েং চংবা দরকার লৈগনি। মসিগা লোয়ননা মফমশিং অদুদা লমলক্কী শাশিং লাকপ্রা হায়বগী য়েংশিনবগী তঙাইফদবা লৈ হায়খি।

পাউমীশিংনা হূইনা অমুক্তদা য়ুমশা ময়াম হাৎপগী ফিভম অসি ওইথোক্লিঙাই ওইব্রা হায়না হংবদা মপু মশক খঙদবা থাদোকপা হূইশিং অসিনা নুমিদাংগী মতমদা কাঙলূপ কাঙলূপ ওইনা চৎপগা লোয়ননা মসিগুম্বা থৌওংশিং অসি চথবগী থৌদোকশিং থেংনৈ। মমাঙদা উরিষাদা থোকখিবা থৌদোক্তা হূইনা অমুক্তদা য়েন ১৩৬ হাৎপগী থৌদোক থোকখিবা লৈখি হায়খি।

হন্দক্কী থৌদোক অসিদা মমাঙদা অমুক্তা থোকখিদ্রিবা মওংদা অচৌবা থৌদোক অমা ওইখিবা অসি মমাঙদা থৌদোক মচা মচা *মখা লমায় ৬তা*

# মঙক্তা বেল্ট ফাদবা হূইশিং ফাগৎলগনিঃ টিঐচ শ্যামকুমার

ইম্ফাল ,দিসেম্বর ৬(এসএনএস)ঃ হন্দক মণিপুরদা থোকখিবা য়ুমশাশিং হাৎপগী থৌদোক্তা য়ুমদা য়োকপা হূইশিং অমসুং মপু মশক খঙদবা কোইথা থাদোকপা হূইশিং চেন্নবগী খুদম ফংলে হায়না ফোরেষ্ট এন্দ ইনভাইরোনমেন্ট মিনিষ্টর থৌনাওজম শ্যামকুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

ন্যু সেক্রেটরিয়েটতা লৈবা ওফিস্তা পাউমীশিংগা উন্নবদা মিনিষ্টর শ্যামকুমারনা হায়খি, মতুং তারকপদা অসিগুম্বা থৌদোকশিং থোরকপা থীংননবগীদমক মপু লৈবা য়ুমশাশিংনি খঙননবা হূইশিংগী মঙক্তা বেল্ট ফাবিগদবনি। বেল্ট ফাদবা হূই পুন্নমক ফাগৎপা হৌরগনি। হূই লোইবগী কাঙলোনদা মঙক্তা বেল্ট ফাবা হায়বসি য়াওই। মসি হূই লোইরিবা মপু খুদিংমক্না থবক্তা ওল্লোকপীয়ু।

মহাক্না মখা তানা হায়,অমুকসু মীয়াম্না হূই মানবা শা অপাইবা লৈ হায়না ফোঙদোক্লবা য়াওরিবা অসি মপুং ওইনা সেকপী অসি ওইগনি। মীয়ামনা মসি লান্না উবা ওইগনি।

মীয়াম্না মসিদা মীপাইবা পোকপীগনু। ফোরেষ্ট এন্দ এনভাইরনমেন্ট দিপার্টমেন্টনা মহৌশাগী খুৎশেম ময়াম অসি কায়হন্দনা থম্নবা হোৎনদুনা লাক্লি।

মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়, হয়েং মাহুদ দিপার্টমেন্টনা অর্বান লোকেল বোদিশিংগী খুখাদা নোটিশ অমা থোক্তুনা বেল্ট ফাদবা মপু মশক খঙদবা হূইশিং অসি ফাগৎপগী থবক লৌখৎলগনি। মদুদা থোক্লকপা দায়ত্বশিং অদু মপু



মপুনা লৌগদবনি।

হূইশিংনা রেবিজ লায়না শন্দোকপা ঙম্বনা মীওইবদা এটেক তৌবা য়াবগী অকিবা লৈবনা মদুগী চেকশিন ৱা অদু থল্লি হায়খি।

ভেটেরিনারি দিপার্টমেন্টনা তান্নরগা হূই মশীং থিনবা ৱাফম খন্নরগনি লোয়ননা হূই কয়া য়াম্না রেবিজ হিদাক কাপখিবগে হায়বদু খঙদোক্লবা হোৎনরি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

মণিপুরদা য়াম্না খুদোংথিবা অমনা মীওই খরনা হূই অসি য়ুমশা ওইনা থম্বগী মহুত্তা য়োন্নবীগদমক মশীং য়াম্না লোইবা অসিনসু মসিগী থৌদোক অসি থোক্লকপা য়াবগী ফিভমদা লৈরি। হূই য়াম্না লোইশিল্লগা থল্লগা মচিঞ্জাক পীজনবা লৈতবনা য়ুমদা য়োকপা শা উচেকশিংদা তাইনবা অসি তত্তনা থোক্লি হায়নসু ফোঙদোকখি।

মরম অসিনা হূই মপুশিংনা ইশা ইশাগী হূইশিং অদু নিংথিনা ফাজিন পুনশিনবীনবা আপীল তৌখি।

# রোজিৎ হাৎখিবা কেসকা মরী লৈননা মণিপুর পুলিস কম্মান্দোগী পার্সোনেল ৪গী মথক্তা চার্জশিট থাগৎলক্লে

ইম্ফাল ,দিসেম্বর ৬(এসএনএস)ঃ মমাঙ থাগী ২৬তা হৌজিক্লা সিবিআই ইম্ফাল ব্রাঞ্চতা এটেচ তৌদুনা লৈরক্লিবা এজেন্সি অসিগী এসআইটিগী মায়কৈদগী পুলিস ইন্সপেক্টর অনী য়াওনা পার্সোনেল ৫গী মথক্তা ফেক এনকাউন্টর কেস অমগা মরী লৈননা কোর্টতা চার্জশিট ফাইল তৌরকখ্রবা মতুং ঙরাং নুমিৎ ১০নি শুরকপদসু অতোপ্পা ফেক এনকাউন্টর কেস অমগা মরী লৈনবা সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেশন (সিবিআই) পুলিস ওফিসর ২ য়াওনা পার্সোনেল ৪গী মথক্তসু অনৌবা চার্জশিট অমমুক ফাইল তৌরকপদগী কোর্টনা এক্যুইজ ওইরিবা পুলিস পার্সোনেলশিং অসি থাসিগী ২১ ফাউবদা কোর্টতা লাক্নবা সম্মোন তৌখ্রে।

সিবিআইনা চার্জশিট ফ্রেম তৌদুনা কোর্টতা সবমিট তৌরকপদা এক্যুইজশিং ওইনা পল্লক্লিবনা থৌদোক্তু থোকখিবা হৌখিবা চহী ২০০৮দা কম্মান্দো ইম্ফাল ইষ্টতা হেদ-কন্সটেবল ওইরম্বদগী হৌজিক্লা খোংজোম পুলিস ষ্টেশনদা সব-ইন্সপেক্টর ওফ পুলিস ওইরিবা এমদি শৌকট অলি (৫৩),অপোকপা লৈখিদ্রবা এমদি ইবোতোন, শঙ্গাইয়ুম্ফম পার্ট-টু, মতমদুদা কন্সটেবল ওইরম্বদগী হৌজিক্লা ইম্ফাল ইষ্ট নার্কোটিক সেলদা হেদ কন্সটেবল ওইরিবা থিয়াম ব্রোজেন (৩৩), অপোকপা টিঐচ চাওবা নম্বোল থিয়াম ময়াই লৈকাই, মতমদুদা কন্সটেবল ওইরম্বদগী হৌজিক্লা লিলোং পুলিস ষ্টেসনদা হেদ কন্সটেবল ওইরবা এমদি ৱাহাজউদ্দিন খান (৩৩), অপোকপা এমদি ক্বামরউদ্দিন খান, লিলোং সুপতুকারোং, মতমদুদা পোরোম্পাৎ পুলিস ষ্টেশনগী এসিষ্টেন্ট সব-ইন্সপেক্টর ওইরম্বদগী হৌজিক্লা সব-ইন্সপেক্টরদা প্রমোশন ফঙলবসু পিএস অসিদা অদুম্মক লৈরিবা এমদি অনৱর হুশেন (৪০), অপোকপা এমদি অব্দুল সলাম, লিলোং তুরেল অহনবীনি।

সিবিআইনা থৌদোক অসিগী মতাংদা কেস রেজিষ্টর তৌদুনা ইনভেষ্টিগেসন হৌরকখিবদদি পুন্না পার্সোনেল ৭কী মথক্তা চংখিবনি। পার্সোনেলশিং অসিগী মনুংদা এমদি অনৱর হুশেননা এএসআই ওইরিঙৈদা পুলিস কেসকী অহানবা ইনভেষ্টিগেশন ওফিসর (আইও) ওইরগা থৌদোক অসিগী অচুম্বশিং মাঙহন্নবা হোৎনৈ হায়বগী চার্জ তৌবনি। *মখা লমায় ৬তা*

## *হাওলেনফাইদা আউট পোষ্ট হাংবা য়ারোই*

ইম্ফাল ,দিসেম্বর ৬(এসএনএস)ঃ হাওলেনফাই খুলদা পুলিস আউট পোষ্ট থম্নবা থাসিগী ৫দা ষ্টেট কেবিনেটনা লৌখিবা ৱারেপ অদু য়াবা ঙম্লোই হায়না মেকাং ভিলেজ ওঠোরিটিগী চিয়ারমেন এন লাবননা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর প্রেস ক্লব ইম্ফালদা ঙসি পাউমীশিংগা উন্নবদা মহাক্না হায়খি,হাওলেনফাই হায়রিবা খুল অসি মণিপুর লৈঙাক্না মমুৎতানা খঙবা মফম নত্তে। হায়রিবা মফম অসি নেমকাং ভিলেজগীনি। কুমজা ১৯৬২গী ফেব্রুৱারি ৫দা মণিপুর ষ্টেট দরবারনা নেমকাং ভিলেজদা পীখিবনি। মদুগী ৱারেপ নম্বর-৪৮নি। *মখা লমায় ৬তা*

# মহৌশানা পীবা খুদোল নীংথিনা শিজিন্নবা ঙম্লগদি মণিপুর মালেমদা লম্বা লৈরোইঃ সিএম

ইম্ফাল ,দিসেম্বর ৬(এসএনএস)ঃ মহৌশানা মণিপুরদা পীরিবা রিসোর্ছ ময়াম অসি মপুং ফানা শিজিন্নদুনা পোখোক পুথোকপা ঙম্লবদি লমদম অসি মালেমদা লাম্বা লৈরোই হায়না চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি মণিপুর লৈঙাক্কী দাইরেক্টোরেট ওফ আয়ুস, ষ্টেট মেদিসিনেল প্লান্ট বোর্দ অমসুং ষ্টেট আয়ুস সোসাইতি মণিপুরনা শীন্দুনা ইম্ফালগী সিতি কনভেন্সন সেন্টরদা পাঙথোকখিবা নুমিৎ মরিনি চুপ্পা চথগদবা আরোগ্য ফ্যোর, ২০১৮ হৌদোকপগী থৌরমদা অথোইবা মীথুংগী ৱারোল পীরদুনা চীফ মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়, মালেমগী ওইনা চাউরাক্না হিদাক কান্নরবা পাম্বী মখল লিশিং ১০ ফংবদা পীকখ্রবা মণিপুরদা চাউরাক্না মখল ৫০০ রোম ফংলিবনি।

মসি নিংথিনা শিজিন্নদুনা পোখোক পুথোকপা ঙম্লবদি শোয়দনা মণিপুর অসি চাউখৎপা লমদম অমা ওইগনি। অনৌবা লৈঙাক অসিনা অককন্নবা এরিয়া খরদা মীৎয়েং থমদুনা থবক লৌখৎকনি। মসিগী শরুক অমা ওইনা কৈরাওদা ফমুং ৫০ লৈগদবা আয়ুস হোস্পিটাল অমা শাবা হৌরে। মসি মীখলগী কোদ ওফ কন্দক্ট লাক্ত্রিঙৈদা লোইশিল্লগা শঙ্গানবা থৌরাং তৌরিবনি।

য়ুনিয়ন মিনিষ্টরগী খোঙচৎ অসিদা চীংগী লমদা পোপ্পী পাম্বী থারম্বা অমসুং গঙ্গা থারম্বা লৌমীশিংবু অতোপ্পা হিংনবা লম্বী পীবা ওইনা হিদাক কান্নরবা পাম্বীশিং থাহন্নবগী ৱাফম খন্নবা লৈ। মসিগী প্রোজেক্ট অসিগীদমক মিনিষ্ট্রিদা প্রপোজেল থারক্লবা য়ুনিয়ন মিনিষ্টরনা হায়রকপা লৈরে হায়খি।

মণিপরগী অফবা অসি ঙসিদি মপান লমগী মীয়াম্না খঙনরকপা হৌরে। মসিগী ময়েক লারবা খুদমক হায়ববু জাপান্দগী মীওই কাঙলুপ অমা লাক্তুনা ঙরাং মহাক্কা উন্নখ্রে। লোয়ননা মখোয়গী লমদমদা নর্সিং মেনপৱার পীবিনবা হায়জবা লৈ। *মখা লমায় ৬তা*

# শ্রীপাদ য়েসো নাইকঃ আয়ুরবেদ, যোগ অমসুং নেচরোপেঠিগী রিসার্ছ সেন্টর হাংদোক্নবা থৌরাং তৌরি

ইম্ফাল ,দিসেম্বর ৬(এসএনএস)ঃ ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মিনিষ্ট্রি ওফ আয়ুসনা নেসনেল আয়ুস মিসনগী মখাদা মণিপুরদা তোঙান তোঙানবা শেমগৎ শাগৎপগী থবক চঙশিল্লিবা অসিগী মথক্তা আয়ুরবেদ, যোগ অমসুং নেচরোপেঠিগী লমদা রিসার্ছ তৌনবা সেন্টর অমা হাংদোক্নবা থৌরাং তৌরি হায়না য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট (ইন্দিপেন্দেন্ট চার্জ) য়েসো নাইকনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্টকী ক্বাকৈথেল কোঞ্জেং লৈকাইদা লৈবা মিনিষ্ট্রি অসিগী শেম্ভুং মখাদা নৌনা শাবা ফমুং ১০ লৈবা ইন্টিগ্রেটেদ আয়ুস হোস্পিটাল শঙ্গাবগী থৌরমদা অথোইবা মীথুংগী ৱারোল পীরদুনা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অসিনা হায়, ইং ২০১৪-১৫ দগী হৌদুনা ঙসি ফাওবদা মণিপুরদা মিনিষ্ট্রিনা চাউরাক্না লুপা ক্রোর ৪৪ রোম আয়ুস সেক্টর অসি চাউখৎনবা পীথখ্রে, মখা তানসু ষ্টেট অসিদা পাঙবা য়াবা মতেং পাঙখিগনি হায়খি।

মিনিষ্টরনা হায়খি, মিনিষ্ট্রি অসিনা নেসনেল আয়ুস মিসনগী মখাদা সেন্ট্রেল স্পোন্সর স্কিম কয়া কুমজা ২০১৪দগী পায়খত্তুনা লাক্লি। মসিনা আয়ুস সেক্টর অসিবু য়োকখৎতুনা মাঙলোমদা চঙশিনবা ঙম্নবা পান্দমদা মিৎয়েং থল্লি।

মণিপুরগীদমক মিনিষ্ট্রিনা ফমুং ৫০ লৈবা ইন্টিগ্রেটেদ আয়ুস হোস্পিতাল মরি পীখ্রে। মীসিগী মনুংদা অনিদি অথুবা মতমদা শাঙ্গাবা য়াবগী ফিভমদা লৈরে। ঙসি শঙ্গারিবা হোস্পিটাল অসিসু মিসন অসিগী মখাদা শাখিবনি। হোস্পিটাল অসিগী ওইনা অনিশুবা ফেজ অমসুং ষ্টাফশিংগী ক্বার্টরশিং শাগৎনবগী প্রপোজেল অদু থাগৎপীরক্লো মহাক্না শোয়দনা অয়াবা পীগনি হায়খি।

মিনিষ্ট্রি অসিনা ইম্ফাল ইষ্টকী কৈরাওদা ষ্টেট অসিগী অহানবা ওইনা হোমিওপেঠি মেদিকেল কলেজ অমা শাগৎপগী থবক চথরি। মসিগা লোয়ননা ষ্টেট হোমিওপেঠি ফার্মাসি অমসুং দ্রগ টেষ্টিং লেবোরেতোরি অমসু মফম অসিদা শাগৎপা হৌখ্রে।

মণিপুরদা হিদাক কান্নরবা পাম্বী কয়া মরাং কায়বা হৌরিবা অসি য়েংলগা হিদাক কান্নরবা পাম্বীশিং হেন্না পাকথোক চাউথোক্না থানবা মিনিষ্ট্রিনা মতেং পাঙগনি হায়খি।

নেসনেল আয়ুস মিসনগী মখাদা মীয়ামদা থবক থৌরম কয়া পায়খৎপগা লোয়ননা মসিগী কান্নবা কয়া অদু মীয়ামদা ফংহন্নবা হোৎনরিবনি হায়খি।

রিমস হোস্পিটালদা রিজনেল রিসার্ছ ইন্সিটিট্যুট অসি অপগ্রেদ তৌনবগীদমক লম হেক্টর ১ খাক্তুনা থম্লবনি। মসি অপগ্রেদ তৌবা মতমদা অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংদা খ্বাইদগী ফবা ইন্সটিট্যুট অমা ওইবা ঙমগনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়খি। *মখা লমায় ৬তা*

# জোব কার্ডকী খূৎশুমল য়াওনা ক্রোর ১২২থাদোকপা সেন্টরনা য়াখ্রে

ইম্ফাল ,দিসেম্বর ৬(এসএনএস)ঃ চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা চিয়ার লৌদুনা ঙসি সিএম ক্রেটরীয়েটকী কন্ফরেন্স হোলদা রূরেল দিভলপমেন্ট এন্দ পঞ্চায়টি রাজ দিপার্টমেন্টকী মখাদা পায়খৎলিবা চাউখৎ-থৌরাংগী থবকশিং য়েংশিনখ্রে।

নৌনা য়েংশিনবা অদুদা রূরেল দিভলপমেন্ট এন্দ পঞ্চায়টি রাজগী এদিসনেল চীফ সেক্রেটরী এমঐচ খাননা পৱার পোইন্টগী স্লাইদ কাপ্তুনা পায়খৎলিবা থবকশিং অমসুং এচিভমেন্টকী মতাংদা উৎখি।

মহাক্কী পৱার পোইন্ট অদুদা মহাত্মা গান্ধী নেসনেল রূরেল ইমপ্লোইমেন্ট গরেন্টি স্কিম (এমজিএনআরঈজিএস)গী মখাদা থবক শুরিবা শিন্নীশিং অমসুং মেটরিয়েল কম্পোনেন্টকীদমক লূপ ক্রোর ১২২ থা অসিগী মনুংদা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা থাদোরকপা য়ারে হায়না পাউদমখি। হৌখিবা ফাইনান্সিয়েল ইয়ার ২০১৭-১৮দা মণিপুরনা লুপা লাক্ষ ১৫৭৭৮.৮৯ ফঙবা ঙমখি। অদুম ওইনমক চৎলিবা শেনবা চহী অসিদদি লুপা লাক্ষ ১৬৫০৪.৬৯ ফঙগনি হায়না পানরি। হৌখিবা চহী তঙ্খাইদসু শেল হেন্না ফঙখি হায়রি।

হৌজিক ফাওবদা মণিপুর সোসিয়েল ওদিট এজেন্সিনা দিষ্ট্রিক্ট খুদিংমক্কী ব্লোক অমমম থারগা পুন্না ব্লোক ৯ পাইলোট সোসিয়েল ওদিট চখখ্রে। মসিদসু নত্তনা হন্দক্তা সোসিয়েল ওদিট এক্সপার্ট অমসুং নাইন দিষ্ট্রিক্ট সোসিয়েল ওদিটনা শেল-থুম শীজিন্নবগী মরম য়েংশিনখ্রে।

মণিপুর লৈঙাক্না থোকখিবা চেরোল অসিনা মখা তানা হায়,মিনিষ্ট্রি ওফ রূরেল দিভলপমেন্টকী মখাদা প্রাইম মিনিষ্টর গ্রাম সরক যোজনাগী ওইনা কিলোমিটর ১০০০ শাংবা লম্বী শেম্নবা পান্দম থল্লি। পান্দম অসিগী মখাদা খুল ৮৫ কুমজা ২০১৭-১৮গী শেল-থুমগী থৌশিলদা লোইশিনবা ঙমখি।

চৎলিবা শেনবা চহী ২০১৮গী মার্চ ৩১ ফাওবগী মনুংদা খুল ৫৮ ফাওদুনা চৎপা কিলোমিটর ৭৩১ শাংবা লম্বী লোইশিন্নবা পান্দম থল্লি। পান্দম অসি নোর্থ ইষ্টকী ষ্টেটশিংদা রূরেল রোদ শেম্বগী থবক্তা ৩শুবদা লৈরগনি। মিনিষ্ট্রিনদি কিলোমিটর ৯০০গী মনুংদা ২৩০ চহী অসিগী ওক্টোবর ৩০ ফাওবগী মনুংদা লোইহন্নবা পান্দম থমখিবনি হায়রি।

পাউ অসিনা হায়,প্রাইম মিনিষ্টর গ্রাম সরক যোজনাগী মখাদা মণিপুরগী ওইনা ফেজ-ৱানদা (২০০০-০১) দগী বি-১, কুমজা ২০১৮-১৯দা অপুনবা লম্বীগী অশাংবা কিলোমিটর ১১৩৬৬কী মনুংদা ১৮৬০ শেম্নবা থৌরাং তৌরি। অপুনবা কিলোমিটর ৬৩৪০ শাংবা লম্বী শেম্বদা তোঙান-তোঙানবা লম্বী ১৩২০ কোনশিনবা ঙম্লে। চৎলিবা শেনবা চহী অসিগী মনুংদা থোং ১৪২ শাননবা সেঙ্কসন তৌরে। থোং ৪৫দি হান্ননা শাবা লোইখ্রে। অমরোমদা ষ্টেজ-ৱান (ফোর্মেসন ওফ কট্টিং)গী থবক কিলোমিটর ১৬২৯ পায়খৎকদবদা কিলোমিটর ৪২৮২গী থবক লোইখ্রে।

দিন দয়াল উপধ্যা-গ্রামিন কৌশালিয়া যোজনাগী মখাদা পায়খৎপা নেসনেল রূরেল লাইভলি হুদকী থবকশিং মপুং ফানা পায়খৎলি হায়নসু লৈঙাক্কী চেরোল অসিনা মখা তারি।